## সী এম রিলিফ ফন্দদা তেংবাংনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা তেংবাংনরক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়টনা ওরাং থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সোসল অপলিফমেন্ট ক্লব ৱাংখৈনা লুপা ৫০০০, ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট ওফিসর এন্দ ষ্টাফনা লুপা ১০,০১,০০০, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা লুপা ৪৫,৩০,২৮৬, মনিরেদা ইমপ্লোয়ী এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ৫০, বিশ্বা সম্বদ কেন্দ্র মণিপুরনা লুপা লিশিং ১০, ইমা লক্ষ্মী সমিটিনা লুপা লিশিং ১০, মণিপুর সেবা সমিটিনা লুপা লিশিং ২৫, কল্যান আশ্রম মণিপুরনা লুপা লিশিং ১৫, সেবা ভারতিনা লুপা লিশিং ২৫, সুংদো ভিলেজ চুড়াচান্দপুরনা লুপা লিশিং ৪০, খুলথাইনলাল চুড়াচান্দপুরনা লুপা ৩৫৪৫, মণিপুর হোক্কিনা লুপা ১,০০,০০০, জে সী আর ঈ স্কিল সোল্যুসন্না ১,০০,০০০, কোওপরেটিভ সোসাইটিনা লুপা ৫,০০,০০০, টি-ফিটনা লুপা ১৮,১১১, খোইস্লাম তোকিওনা লুপা ১০,০০০, ৱাংখেম দিনেসনা লুপা ৫০০০, মাও বিজিনেস য়ুনিয়ন্না লুপা ১০,০০০, নোংথোম্বম তোম্বীমচা খাবমনা লুপা ১০০০, লৈরেঞ্জম ইবোয়াইমা সিনিয়র একাউন্ট ওফিসর এ জি মণিপুরনা লুপা ৪০,৪৪৩, মণিপুর অর্বাব দিভলপমেন্ট এজেন্সীনা লুপা ১৮,৯৭৩নি। মতেং পাংলকখিবা পুম্নমকপু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

**Important Phone Nos.**

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.211097 |
| US Dollar | 76.525172 |
| British Pound | 94.658666 |
| Australian Dollar | 48.402601 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.803425 |
| Japanese Yen | 0.710721 |
| Malaysian Ringgit | 17.517084 |
| Singapore Dollar | 53.644874 |
| South Korean Won | 0.062149 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.406713 |
| Thai Baht | 2.367173 |
| Myanmar Kyat | 0.05318 |
| Bangladesh Taka | 0.90227 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 45548.00 |
| Mumbai | – | Rs | 45705.00 |
| Delhi | – | Rs | 45759.00 |
| Kolkata | – | Rs | 44699.00 |

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto: 10/02/2020
Valid From: 02/02/2020
**Booking contact Timing:**
08.00 am-12.00 noon
Home Delivery only
**Contact Nos.**
9774615530 (Kwakeithel)
7085732827 (Naorem Leikai)

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Sl. No.– 14365**
**5 Kg Available**
Booking Upto: 11/02/2020
Valid From: 05/02/2020
Timing: 08.30 onward
Home delivery Only
**Contact:**
8131853129/6009392991

**JEMON GAS, CHINGAMATHAK**
Booking Upto: 08/01/2020
Valid From: 22/12/2019
Timing: 07.00 am – 11.00 am
Home Delivery
**Contact No. Only SMS & Whatsapp:**
7630076597/9436039984

**KHORIPHABA, NAMBOL**
**Sl. No.: From 68984**
Booking Upto: 17/01/2020
Valid From: 16/01/2020
Home Delivery Only, **Contacts:**
9366471778/7085560134

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto: 10/02/2020
Valid From: 25/01/2020
Home Delivery Only
**Contact Nos.**
8730954041/7005728461/
8259969582, **Contact timing**:
07.30 am -11.00 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 25/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Home Delivery only
**For Delivery Please Contact:**
7085738631/8119967523
Call Timing: 08 am – 04 pm

**HIYANGTHANG INDANE**
**Sl. No.: 100**
Booking Upto: 25/01/2020
Valid From: 19/01/2020
**Home Delivery Nos.**
7085557686/6009260971

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto: 05/01/2020
Valid From: 10/12/2019
***Stk : 612***
Home Delivery Customer only

# ৫০রকশুবা ৱর্ল্ড আর্থ দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মফম কয়াদা উ-চারা থাখ্রে : সুক

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): ৫০রকশুবা ৱর্ল্ড আর্থ দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মফম কয়াদা উ-চারা থাখ্রে হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী জোইন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ তরুন খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সুকনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ৱর্ল্ড আর্থ দেগী থৌরম কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লোকদাউন লৈবা মরম্না মীয়াম তীন্দুনা পাঙথোকপগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রবসু সুক্কী থৌমীশিং লৈরিবা মফম পুম্নবদা উ-চারা থাখি। য়ুম-য়ুমদা অমদি অনকপদা লৈবা মহৈরোয়শিংদা অসিগুম্বা ৱর্ল্ড আর্থ দে থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরমশিং অমদি করম্না পাঙথোকপা হৌথি হায়বগী ৱারী লীখি। ৱর্ল্ড আর্থ দে২০২০গী থীম ক্লাইমেট এক্সনগী মতাংদা খঙহনবনা থৌরম অসিগী মরুওইবা শরুক ওইখি।

কুমজা ১৯৭০গী এপ্রিল ২২দগী হৌনা মালেমে শিনবা থুংনা মালেমদা খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা অমদি ঐখোয়না চীং, পাৎ, তুরেল মহৌশাগী লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম নোংম-নোংমগী কায়থরক্লিবসি খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। কংলৈপাক্তসু ঙসি নোংমা কাংদনা ঊং কোকথোরকপা, চীংগী শরুকশিংদা লাম্নৈ থাবগী থৌওং কয়া লাক্লি। ঙসিদি ঈশিং-নুংশিৎ শেংলক্তবা অমদি মহৌশাগী খল কায়রকপা কয়া অসি খজিক্তা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা অমদি হৌগৎলক্লিবা তুংগী য়ুম্নী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা মীওই খুজোক খরনা খন্থবা তৌদনা মশাগী কান্নবা য়েংলগা তৌরিবা ময়াম অসিগী অফ-ফত্তা খরদা ওইরবসু খঙহনবা ঙম্নবা অমদি ফৎত্রবা থবক থৌরমশিং তুংগী মীরোলনা তৌদনবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

ৱর্ল্ড আর্থ দে ২০২০গী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা চৎতুনা এৱেয়ার্নেস পীবা ঙমদ্রবসু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্কী হেদ ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ব্রাঞ্চ য়ুনিটশিংগী থৌমী পুম্নমনা অনকপা অমদি য়ুম-য়ুমদা মহৈরোয়শিংদা নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা ৱারী লীদুনা উ থাখি। এৱেয়ার্নেস কয়াসু পীখি। মালেমগী ওইনা পাঙথোক্তদৌরিবা ৱর্ল্ড আর্থ দেগী থৌরমদা কংলৈপাক্কী চনু ওইরিবী য়ং ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট অমদি ফাউন্দর ওফ চাইল্ড মুভমেন্ট লিসিপ্রিয়া কাঙুজমসু মালেমগী ওইনা মশক নাইবা মীওই ৫০ খনগৎপদা য়াওরক্তুনা থৌরম অসি শরুক য়াগদৌরি। চহী নৌরিবী ইচল অসিনা মালেমগীদমক হোৎনরিবা থবকশিং অসি মীয়াম্না খঙবীদুনা অসিগুম্বা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা অমদি মহাক্কী ওইনা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা পীগদৌরিবা অসি য়াম্না নুংঙাইবা পাউজেল অমনি।

মহাক্না হোৎনরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মায় পাকপা ওইসনু। সুকনা মহাক্না তৌরিবা অফবা থবক থৌরম পুম্নবদা অয়েৎ-অপন য়াওদনা মায় পাক্নবগীদমক তাইবং শেন্নিবা মপুগী মফমদা থৌনিরি। কংলৈপাক্তা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা খুদিংমক্না উমং-ৱামং কোকথোকপীগনু। লাম্নৈ থাবীগনু। তুরেলশিং মোৎশিনহনবা তৌবীগনু। ঐখোয়না লেপ্পা লৈতনা মালেমগী মহৌশাগী খল অসি থুগায়রবদি কোরোনাভাইরসতগী হেন্না শাথিবা খুদোংথিবা নংলকপা য়াই। ৱর্ল্ড আর্থ দেনা লাকপদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা উমং-ৱামং য়োকখৎমিন্নসি। চীং, পাৎ, তুরেল কনমিন্নদুনা মহৌশাগী খল কায়দনা থম্মিন্নসি। ঈশিং-নুংশিৎ ফবা কংলৈপাক অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুম্ননা হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ট্রক চেল্লিবশিংনা কোভিদ-১৯ পুশিল্লক্তনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি : দিরেক্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা পোৎচৈ পুশিল্লক্লিবা নেসনল হায়ৱেগী মাও অমসুং জি রিবামলোমদা চঙলক্লিবা ট্রকশিং চৎলিবশিংনা কোভিদ-১৯ পুশিল্লক্তনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়না ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর মার্সিনা আর পামৈনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এস বি টিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর মার্সিনা আর পামৈনা হায়খি, লোকদাউননা মরম ওইরগা ইন্টর ষ্টেট অমদি মপান ষ্টেটশিংদগী গাড়ী চৎথোক-চৎশিন অথিংবা থম্লবসু নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদি লেপ্পা য়াদে। মণিপুরদা চঙলকপা ট্রক খুদিংমক ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মাও অমদি জিরিবামগী গেটতা রিপোর্ট তৌহল্লি। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনগী মিং অমসুং গাড়ী নম্বর লোয়ননা মখোয়গী মোবাইল নম্বরশিং লৌই। ট্রক অদুদা করি পুরক্লিবনো হায়বা পুং ৪ খুদিংগী দিপার্টমেন্টতা থারকই। ট্রকশিং অসিনা সেকমাই অমদি কৈথেলমানবী গেট য়ৌরকপা মতমদা পুলিসনা ট্রক ৪০/৫০ পুশিল্লক্লগা আই এস বি টিদা এস্কোর্ট তৌরগা পুরকই। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং য়ুমদা হন্দুনা মীয়াম মরক্তা পুনবগী অয়াবা পীদে।

ট্রক অমা নুমীদাংৱাইরমদা থুংবা তারবদি মখোয়দা পোৎ থাবগী অয়াবা পীদে। ড্রাইভরশিং আই এস বি টিদা লেকহল্লি। করিগুম্বা মখোয়না থাগদৌরিবা পোৎ অদু ইম্ফালগী অকোয়বদা ওইবা তারবদি পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা পোৎ থাবগী অয়াবা পী। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং আই এস বি টিদা অহিং লেকপগী খুদোংচাবা পীরি। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলম খুদিংমক পীরি। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিংনা পোৎ থারুরবা মতুংদা পেমেন্ট ওইনা ড্রাইভরদা লুপা লিশিং ১, হেন্দিমেন লুপা ৫০০ পীবা হৌরে। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনগী য়াইফনবনি। দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি শৌগৎপীয়ু। ট্রকশিং আই এস বি টি য়ৌরবা মতুংদা ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং হেল্থ চেক অপ তৌরগা য়েল্লো কার্দ পীদুনা পোৎলমশিং থাবগী অয়াবা পী। য়েল্লো কার্দ পায়বা ড্রাইভরশিং আই এস বি টিদা অমুক হল্লক্লবগীদমক মখোয়না পোৎ থাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা দিপার্টমেন্টনা মখোয়গী ড্রাইভিং লাইসেন্স লৌশিল্লি। পোৎ থারবা মতুংদা ড্রাইভরশিং মথংগী ট্রিপ চৎপা য়ারে হায়বা খঙনবা গ্রিন কার্দ অমুক পী। পোৎ থারবা মতুংদা ট্রকশিং অসি পুশিল্লগা আই এস বি টিদগী কৈথেলমানবী অমদি সেকমাই ফাওবা এস্কোর্ট তৌই। ট্রিপ অমুক হনবগী মিংদা ড্রাইভর য়ুমদা চৎপা য়াওই। মসি থোক্তনবা এস্কোর্ট তৌবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): পোরোম্পাৎ মুস্লিম লৈরক্তা এম এল এ, এন ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থক্লবা ঈশিং য়েনবা অদুদা বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চাগী সেক্রেটরি এম দি সোয়ব অমদি লৈকায় অদুগী ভলন্টিয়র কয়াসু শরুক য়াখি। হৌজিক ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা কয়া অসি য়েংলগা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকপনি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি পোরোম্পাৎ মুস্লিম লৈরক্তা লৈবা য়ুমথোঙ কয়াদা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখি। হৌজিক কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লৈখিবনা থক্লবা ঈশিংগী অৱাবসু মায়োক্লরি। মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা মতেং খরদা ওইরবসু ওইনবা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখিবনি। বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চাগী সেক্রেটরি অমদি ভলন্টিয়র কয়াসু য়াওখি হায়রি।

## পি এফ মেম্বর ৪০,৮২৬তা লুপা ক্রোর ৪৮১.৬৩ দিসবর্স তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): পি এফ মেম্বর ৪০,৮২৬তা লুপা ক্রোর ৪৮১.৬৩ এদভান্স ওইনা দিসবর্স তৌখ্রে হায়না ঈ পি এফ ও, ন্যু দিল্লিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসিগীদমক পায়খৎলকপা খোঙথাং ওইনা এদভান্স দিসবর্সমেন্ট অসি তৌরকপনি। থা অসিগী ১৭ কী নুমীৎয়ুংবা ফাওবদা হায়রিবা শেনফম্মশিং অসি দিসবর্স তৌখিবনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা নেভেলি লিগনাইট কোর্পোরেসন, কুদ্দালোরদগী এপ্লিকেসন ৩২৫৫ থারকখিবগা লোয়ননা দিসবর্স তৌখিবা এমাউন্ট অসি লুপা ৮৪,৪৪,০০,০০০নি। টাটা কন্সলটেন্সি সর্ভিসতগী এপ্লিকেসন ৯৩৭৩ ফংবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স অসি লুপা ৪৩,৩৪,০৪,৬৪১নি। ভিসাখপত্নম ষ্টীল প্লান্টতগী এপ্লিকেসন ১৭০৮ লাকপগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবা অসি লুপা ৪০,৯৯,৩৭,৮০০ নি। এন টি পি সীদগী এপ্লিকেসন ৯২৫ ফংবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবসি লুপা ২৮,৭৪,২১৫৩১ নি। ঐচ সী এল টেক্নোলোজিস/ হিন্দুস্থান ইন্সত্রুমেন্ট লিমিটেদতগী এপ্লিকেসন ৬৯৩৮ ফংবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবা লুপা ২৭,১৪,০৩,৮৬২ নি। পৱার গ্রিদ কোর্পোরেসনদগী এপ্লিকেসন ১২৬৩ ফংবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবা লুপা ২৬,১৭,৩২,৪০৩ নি। ও এন জি সী, দেরাদুনদগী এপ্লিকেসন ২২৯৭ লাকপগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স লুপা ২৪,১৭,০০,০০০নি। বি ঐচঈ এল আর সী পুরমদগী এপ্লিকেসন ১৩৬৭ লাকখিবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবা লুপা ২২,২২,১৫,০০০ নি। বি ঐচ ঈ এল ভোপালদগী এপ্লিকেসন ১৭৫৮ ফংবগা লোয়ননা এমাউন্ট দিসবর্স তৌখিবা লুপা ১৬,৪২,০০,০০১নি। হিন্দুষ্টান পেত্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ মুম্বাইদগী এপ্লিকেসন ৪৬১ ফংবগা লোয়ননা দিসবর্স তৌখিবা এমাউন্ট লুপা ১৪,৩৩,১০,০০০নি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্লরিবসি য়েংলগা লূপ কয়ানা শীন্দুনা মফম কয়াদা চান-থক্লবা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবদগী চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চৎনরি।

বি জে পি ৱাংখেম মন্দলগী প্রিসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাংখেম এ সীগী মনুংদা লৈবা ইমুং ১২০৯৭ দা হান্নগী মিনিষ্টর, বি জে পি মণিপুরগী ৱাঙাংলোয় ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী লীচিং মখাদা মন্দল অসিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা শেল খায়নদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং থা অসিগী ১৮দগী ২১ ফাওবা য়েন্থোকখ্রে।

য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱাংখেম বি জে পি মন্দলগী মেম্বরশিংনা অঙম্বা শেনখায় পুথোক্লরকখি। পোৎচৈ য়েনবদসু শরুক য়াখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, কংলে ইমাগী মপারী হায়রিবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা থা খুদিংগী খায়নদুনা কংলৈপাক্কী শোথনা লৈবশিংদা মতেং পাংলকপগী শরুক অমা ওইনা ঙাইরাংবমদা লৈবা মীওই অমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং শেল খুৎশিন্নখ্রে।

চান-থক্লবা খুৎশিন্নখিবা অদুদা চেঙ, আলু, থাউ, থুম, হৱাই, তিলহৌ অমদি মনা-মশিং য়াওরি। শেলগী মতেংসু খুৎশিন্নখি। মখা তানা শোথরবশিংদা মতেং পাংখিগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি মাইবম টিকেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ লাক্লিঙৈ মমাঙদগী তেংবাংগী থবক লেপ্তুনা থা খুদিংগী চথরকপনি হায়নসু মখা তাখি।

অমরোমদা, থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী নহারোল লৈশেম্না ক্লবতা লমদাংমৈ চিরু ভিলেজ ওথোরিটি, লোংমাই সব-দিভিজনগী ইচিল-ইনাওশিংনা চীংগী মহৈ-মরোং খুদোল তন্নকখ্রে। লোকদাউনগী অৱাবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংলকখিবনি হায়রি।

মরকসিদা, লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেৎ পোল্লিং ষ্টেসন ৩৩/১৪দা অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক খল্লগা এ সী অসিগী এম এল এ, ডা. থোকচোম ৱাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা নফসাগী কার্দ পায়বা পায়দবা থিদনা মীওই অমমমদা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহনবগীদমক মিনিষ্টর টি ঐচ ৱাধেশ্যামবু অমদি বি জে পি লাংমৈথেৎ য়ুনিট লোয়ননা চেঙ য়েনবা য়াওখিবা খুদিংমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। লোকদাউননা অৱাবা তারবা খুন অসিগী ইমুং খুদিংমক্তা পোলিটিকেলগী খেন্নবা থমদনা মতেং পাংলকপগীদমক মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোভিদ-১৯ খুন অসিদা চঙলক্তনবা অমদি মীয়ামদা এৱেয়ার্নেস কয়া পীদুনা অৱা-অনা তারবা মীয়ামগীদমক মতেং পাংলকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। খুন অসিগী খ্বাইদগী ৱারবা ইমুং ৫৩দা চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রবা মতুংদা মখা তানা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। লোকদাউন লোইদ্রিবা ফাওবগী ওইনা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নসি। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা লেপমিন্নসি। লৌউ-শিংউগী শিনফমদা অয়াম্বা লৈবা খুন অসিগী লৌমীশিংদা লোকদাউনদগী রিলেক্স তৌখ্রবা লৌউ-শিংউগী থবক হৌজিক চথবা হৌনরে। অদুবু ত্রেক্টর শীজিন্নদুনা লৌ খোইবগী মতম অসিদা দিজল মরাং কায়না ফংদবনা লৌ খোইবগী মমল হেনগৎখিবসিনা লৌমীশিংদা অৱাবা মায়োক্লরি। মসি কোকহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা মীওই অনী মতম চানা থবক পায়খৎতুনা মায় পাক্লা লায়েংখিবা ডোক্তরশিং অমদি লৈঙাকপুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# নবদ্বীপতা পন্দুনা লৈরিবশিংগীদমক মীৎয়েং চঙবীয়ু : সেবায়ট সমিটি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): নবদ্বিপতা পন্দুনা লৈরিবশিংগীদমক মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না নবদ্বিপ অনুমহাপ্রভু সেবায়ট সমিটি, নবদ্বিপ ধামগী চ্যেরমেন রাজকুমার রনজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শ্রীশ্রী অনুপ্রভুগী মিতম নবদ্বিপতা লৈরিবা লাইফম অসিদা মণিপুরদগী মীওই কয়া ফিরোই অমদি লাইগী থৌরম পাঙথোকপা লাকখিবশিংগী মরক্তগী পুন্না মীওই ৪৩ হৌজিক লাইফম অসিদা পন্দুনা লৈরি। মাঙজৌননা হনখিবগীসু টিকেটনচিংবা শীল-লাংদুনা লাকখিবশিং অসি লোকদাউননা মরম ওইরগা এরোপ্লেন, ত্রেন অমদি গাড়ীনচিংবা চৎপা লেপখিবদগী তঙাইফদনা ৱানা খাংলি। অনুমহাপ্রভু সেবায়ট সমিটিনা ঙমজবা খরদা ওইরবসু খায়নদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী নোংমগী তঙাইফদবশিং শোয়দনবা হোৎনরি। সেবা ফংলিবশিং অসি তাইবং শেন্বা মপুগী থৌগলগীদমক লেংলকপা মীয়ামগী লৈজবা অমদি মখোয়গী থৌগলদা পেঞ্জদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি থৌগলগীদমক লাক্লরম্বা মীয়ামসু লেপখিবা মরম্না তাইবং শেন্বা মপুগী থৌগল তৌজরিবশিংসু শেল-থুম অমদি চান-থক্লবা ৱাৎলকপদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

মণিপুরদা পুথোক্লবা শীনবীবা অমদি মখোয়না পল্লিঙৈ মতম অসিদা লৈফম-চাফম শীনবদা থেংনরিবা অৱাবসি কোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক অমদি পুকচেল চাউরবা মণিপুরগী মীয়ামদা খঙহঞ্জবনি। মীয়াম অসি লৈফম-চাফম খক্তগী নত্তনা য়ুমদগী লাপ্না লৈবগী অমদি মরুওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিগী অকিবা লৈবনা য়াম্না মীপায়না লৈনরি। চীফ মিনিষ্টর, লৈঙাক্কী মীওইশিং লোয়ননা মণিপুর মীয়াম্না মতেং তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি। হৌজিক মীওইশিং অসি য়াম্না ৱানা লৈরি হায়নসু মখা তারি।

## ফুদ বেঙ্ক হাংলে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপালনা ফুদ বেঙ্ক হাংদোক্তুনা ক্লব অসিগী এরিয়াদা লৈবা খ্বাইদগী খুদোংচাদ্রবা য়ুমশিংদা মতেং পাংনবা শেম-শাবা হৌরে হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লক্লিবা কয়া অসি য়েংলগা লাইচৎ অসি থেংনবদা লৈঙাক খক্তা নত্তনা মীয়াম্নসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবা চঙই। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপালনা ফুদ বেঙ্ক হাংদোকপনি। তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা চেঙ, আলু, তিলহৌনচিংবা কয়া মতেং পাংলক্লে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা পোৎলমশিং অসি ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাকল্লোন্দা চঙশিনবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি মুখর্জি নগরদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখি।

তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা কৎলকপা পোৎলমশিং মণিপুর ভবনগী রেসিদেন্ট কম্মিস্নর পি কে সিংহনা লুচিংলগা দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরগী মহৈরোয় অমদি অতৈ মণিপুরীশিংদা য়েন্থোকখিবনি। অনীরকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা তেংবাংগী পোৎলম য়াওবা পেকেট ৫০০০ হেন্না য়েন্থোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না পি কে সিংহনা ফোঙদোকখি।

## গভর্ণর, সী এম য়াওনা পাউজেল...

*লামায় ১গী মখা...* লাকপদা থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবগী থৌদোক নৌহৌননা নীংশিংহল্লে। নুমীৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামগা লোয়ননা থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনসু খোংজেম দেগী পাউজেল পীরক্লি।

# পাউচে পুবা হোকরশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ন্যুজ পেপর হোকর এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা ওল ময়াং ইম্ফাল ন্যুজ পেপর হোকর য়ুনিয়নগী মেম্বরশিং অমদি ৱাঙ্গোইদগী ৱাবগাই ফাওবদা লৈবা ন্যুজ পেপর হোকরশিংদা সেকমাইজিন থোঙামদা লৈবা সোসল ৱার্কর য়ু রামেশনা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি ধনরাজনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরি। য়ুমথোঙ খুদিংদা পাউচে য়ৌহন্নবগী শিনফমদা লৈরিবা হোকরশিংনা মীয়ামদগী পাউচেগী বিল খোম্বদা য়াম্না ৱানরবা মতম অসিদা হোকরশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু মতেং পাংনিংবগী ৱাখল্লোন্দা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি। পাউচেসু চাং নাইনা পারিবা সবস্ক্রাইবরশিংনা মীয়ামগীদমক অৱাবা মায়োক্নদুনা থবক তৌরিবা হোকরশিংনা প্রেসতা নুমীৎ খুদিংগী শেল থিবা মরম্না মীয়াম্না ইশা-ইশাগী পাউচেগী বিল শেংদোকপীয়ু। মীয়ামগী থবক তৌবদা থৱায় হাপ্পীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীল মণিপুরনা মিনুথোং গোলাপতিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা য়ুমথোঙ ২০০ রোমদা থক্লবা, চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলগী সেক্রেটরি রবি খাননা ফোঙদোকখিবদা, কাউন্সীল অসিনা মীয়ামগীদমক নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চেঙ, আলু, তিলহৌনচিংবা মনা-মশিং কয়া য়েন্থোকপনি। মখা তানসু য়েন্থোকখিগনি। লৈঙাক্না পীবা চেঙ অদুখক ঙাইবগী মহুৎতা ইশা-ইশাগী পোকেটতা অঙম্বা শেল পুথোক্তুনা মতেং পাংগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মতেং পাংবনি। ফুরুপকী ৱাফম খায়দনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংখিগনি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লৈখিবনা অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং পাংবনি হায়রি।

## লৈত-লায়রশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চথরক্লিবা লোকদাউননা নোংমগী শুরগা চাবা অৱাবা ইমুং ২০০ হেনবদা য়ুনাইটেদ কাউন্সীল ওফ সোরানা চেঙ, আলু, তিলহৌ অমদি থুমনচিংবা পোৎলম তেংবাংখ্রে হায়না কাউন্সীল অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ সবির পথাননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তঙাইফদবা ইমুংশিংদা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। তেংবাংবগী থবক অসি মেম্বরশিংদগী কন্ট্রিব্যুসন তৌবা অমদি মীওই খরগী মতেংদগী শীনবনি। ৱানরবা তাঞ্জাসিদা মতেং পীরক্লিবা মীওইশিংবু থাগৎলি। মখোয়গী পুন্সিদসু নুংঙাই-য়াইফবা ওইসনু। মতুং তারকপা পুন্সিদসু মতেং পাংবা ঙম্বা পীনবীসনু। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মপুং ফানা কোওপরেসন পীরগা অমদি অমগা অমগা লৈত-লায়র মতেং পাংনরগা হিংমিন্নসি। ঐখোয় পুন্নমক অসিগুম্বা তমথিরবা কোভিদ-১৯ পুন্না থেংনমিন্নসি। শেন্বীবা মপুনসু লায়না অসিবু মালেমদগী মরু ফংনা মাঙহনখিবা ওইরসনু।

য়ুনাইটেদ কাউন্সীল ওফ সোরা মণিপুরগী প্রিসিদেন্ট অলম সৈখনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না অৱাবা তারবা ফীভম অসিদা হেন্না অৱাবা ইমুংশিং খনগৎলবা মতেং পাংবনি। মখা তানসু তঙাইফদবা ইমুংশিংদা অঙম্বা মতেং পাংগনি। কাউন্সীল অসিগী লৈজবা শেনফম অমদি মীওই কয়ানা পীরকপা মতেংশিং পুনশিন্নরগা অৱাবা ইমুংশিং খনগৎলগা মতেং পাংবনি। ঙসিসু ইমুং ২০০ হেনবদা চেঙ, আলু, তিলহৌ অমদি থুমনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি। অৱাবা তারবশিংগীদমক অঙম্বা মতেং পাংবনি। হায়রি।

## য়ু কেদা ঙসি কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন...

*লামায় ১গী মখা...* চাংয়েং তৌবা লোইদ্রিঙৈগী মমাংদা দোজ মিলিয়ন অমরোম সেপ্তেম্বর থা ফাওবদা পুথোক্লবা পান্দম থম্লি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লোকদাওন থম্বগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্লা চৎহন্দুনা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ভেক্সিন অসি পুথোরকপা তারবদি মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্লগনি হায়না মেট হেনকোকনা ফোঙদোকখি। ভেক্সিন পুথোক্লবগী থৌরাং অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসনগী চ্যেরমেন ডা. চান্দ নাগপোলনা হায়খি মদুদি, অতেনবা মতমগী মনুংদা ভেক্সিন অমা পুথোক্লগা মীওইবদা চাংয়েং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকফম থোকই। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগীদমক মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থিজিন-হুমজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা মতেং পাংনবা মথৌ তাই। অমনা-অমগী মতেং পাংনদুনা মীওইবা খুন্নাইদা কান্নবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* শিন্নবা থৌদাং লৌরুনবগীদমক এম পি এগী ২৯১ বট্টালিয়নদা চৎখি অমদি মফম অদুদা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। অদুবু হৌখিবা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২৯দগী চথরকখিবা অৱা-লান্মীগী ওপরেসন অমদা মহাক পার্টিনা শিন্নবা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা অৱা লান্মীশিংনা ২০১৯গী মার্চ ১দা ফাখিবদগী চহী ২ কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংখি। অসুম্না অৱা লৈবাক্কী কৈশুমশঙদা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা অরুবা মওংদা নারকপদগী অঙম্বা হৌখিবা এপ্রিল ২০, ২০২০দা লৈখিদে। মহাক্না চহী ১ রোম ২৯১ বট্টালিয়নদা লৈরিঙৈ মনুংদা এম পি এগী থকশি-খাশি ঙাক্লা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লম্বতা নৎতনা থবক শূবা-নোম্বা কনবা মী লোয়নবা হৈবা, লূপকী চৎন-কাঙলোন ঙাকপা, লূপতা চেৎনা থাজবা থম্বা অমদি লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লালহৌদা অচেৎপা থাজবা থম্বা এম পি এগী অচেৎপা লান্মী অমসু ওইরমখি। অসিগুম্বা অশেংবা য়াওল্লোয় অমা ওইখিবা অঙম্বনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবা অসি য়ু এন এল এফ/এম পি এগী মাঙজবা নৎতনা ঐখোয়গী নীংতম লালহৌ অসিদসু অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। অঙম্বনা লৈখিদবা অসিদা য়ু এন এল এফ/এম পি এনা অথৌবা মহাক্কী মফমদা য়াওলগী অৱাংবা থাক্কী ইকাই খুম্নবা পীজরি অমদি থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অঙম্বগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ব্লেক মার্কেটতা চাকথোং গ্যাস য়োনবশিং...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়ননা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দরশিং ব্লেক মার্কেটিং তৌবশিংবু ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনগী মখাদা নৎত্রগা চুনবা এক্ট অমসুং রুলগী মখাদা ফাদুনা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়নসু খঙহনখি। মসিগী মতুংইন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবমনা লুচিংবা টিম অমনা লম্লোং কৈথেলদা লৈবা ফেটি কিটচন কৌবা দুকান অমদা নারোন্দা য়োল্লম্বা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর ১৯ অমদি অহাঙবা সিলিন্দর ৭ য়াওনা মীওই অমা ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা মীওই অদুগী মমিং রোমিও কৌই হায়রি। মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মহাকপু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোকখ্রে হায়রি।

## কোরোনাভাইরস : দিল্লিদা মীদিয়া...

*লামায় ১গী মখা...* অমা হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি। দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনসু ট্বিট তৌদুনা 'মীদিয়াগী মরূপ-মপাংশিং কোভিদ টেষ্ট সেন্টরদা মীদিয়াশিংগী টেষ্ট তৌবা হৌরে, পুম্নমক্না হকচাং ফনা লৈবা ওইবীয়ু' হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসাম, কর্নাটকা অমসুং উত্তর প্রদেশতসু মীদিয়া পর্সনেলশিং কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা মীদিয়াগী লম্দা থবক তৌরিবশিংবু টেষ্ট তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। য়ু পি গভর্ণমেন্টনসু মীদিয়াদা থবক তৌরিবশিংগী টেষ্ট তৌননবা ৱাফম থমখ্রে।

অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা মুম্বাই অমসুং চেন্নাইদা মীদিয়া পর্সনেল কয়া কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা অসাম গভর্ণমেন্টনসু ষ্টেট অসিগী মীদিয়া পর্সনেলশিং লাক্লিবা এপ্রিল ২৫দা গুৱাহাটি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীদিয়া পর্সনেলশিংনা মথৌ পাঙথোকপা মতমদা হকশেলগী মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীদিয়া হাউসশিংগী মেনেজমেন্টনসু মখোয়-মখোয়গী ফিল্ড ষ্টাফশিং অমসুং ওফিস ষ্টাফশিংগীসু মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎননবা ৱাফম থমখ্রে।

## ডোক্তর, হেল্থ ৱার্করশিংদা এটেক চথবা...

*লামায় ১গী মখা...* মরম ওইরগা হেল্থ ৱার্করশিং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ক্যের ৱার্কর পুম্নমক খুদোংথিবা মায়োক্লহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাক অসিগী ডোক্তর অমদি হেল্থ ক্যের প্রোফেসনল পুম্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবা অমসুং খুদোংথিবা মায়োক্লহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ক্যের ৱার্কর অমদি পুলিস পর্সনেলশিংদা মীওই খরনা এটেক চথবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপা লৈখ্রে।

চৈরকসিদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ১০দা ষ্টেট পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানদুনা লোকদাউনগী শরুক খরা কোমথোকখিবগী মতাংদা খন্ন-নৈনগদৌরি।

রিপোর্ট অমনা হায় মদুদি, নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা ষ্টেট পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নরগনি। মে ৩গী মতুংদা মপুং ফানা লোকদাউন লৌথোকপা নৎত্রগা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস থেংনদবা মফম খরখক্তা লোকদাউন কোমথোকপগী ৱাফম খন্নরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হন্দক্কী অসিনা ভিদিও কনফরেন্সতা প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানবা মরিরকশুবা ওইরগনি। লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌরবসু কোভিদ-১৯গী কেস মশিং তপ্না তপ্না হেনগৎলকপা মরম্না মে ৩গী মতুং তারকপদা লোকদাউন মপুং ফানা লৌথোক্কদ্রা হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।